# MANIPURI

## PAPER-I

*Time Allowed : Three hours.* *Maximum Marks : 300*

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

Candidates should attempt Question No. **1** and **5** which are compulsory, and *any* **three** of the remaining questions, selecting at least **one** question fonm each Section.

Answer must be written in Manipuri

## SECTION-A

1 মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী অহুমখক খল্লগা অমমমদা ৱাহৈ 200 দগী হেন্দনা খুম্মু : 20x3=60

(a) মনিপুরী লোন তোন লেঙ্গোইজনি হায়রিবা করিগীনো? লোনসিদা তোন মখল কয়া লৈবগে খুদম পীদুনা ইরকউ। 6+ 14=20

(b) সফিক্স করিনো? মনীপূরী লোনদা সফিক্সনা মরুওইবা করম্বা থৌদাং লৌবগে ইরকউ। 5 + 15=20

(c) ক্লোজ অমদা চঙদবা য়াদবা মচাকশিং অদু করি করিনো হায়বদু তাক্লগা মনিপুরী লোনগী ক্লোজগী খুদম পীদুনা তাক্লকউ। 20

(d) মনীপূরী (মৈতৈ) ময়েক চাডওখৎনবা অমসুং চৎনহন্নবা সরকারনালৌখৎলিবা থৌরাংশিং কদায় ফাওবা খুমাঙ চাওশিল্লবগে? মসিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং করি করিনো ইরকউ। 5+ 15=20

2. মনিপুরী লোনগী ইম্পরেতিভ সেন্তেন্স করম্না শেম্বগে? ইম্পরেতিভ অমসুং ওপতেতিভ অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী খুদম পীদুনা উৎলু। 30+
30=60

3. অসপেক অমসুং তেন্স করম্না মশক তাঙ্কনি? মনিপুরী লোনদা ফংবা অনীসিগী খেন্নবা মশকশিং খুদম পীদুনা ইরকউ। 30+ 30=60

4. কাঙলূপ কয়া খুন্দারিবা লমদমসিগী মীওইশিংগী পুন্সিরোলদা মাঙলমচৎতগী হৌনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা মনিপুরী লোনগী হৌজিক্কী ফিভম অমসুং থাক্কী করম তৌরিবগে নৈনরকউ। 60

## SECTION-B

5. মখাগী ৱাহংশিং অসিদগী অহুমদং খল্লগা ৱাহৈ 200 দগী হেন্দনা পাউখুম পীয়ু: 20x3=60

(a) মনিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসকী মতম খায়বগী মরুওইবা পান্দম করিনো ? তাংকক্শিং অসি কয়া থোক্লা করম্না খায়রিবনো ইরকউ। 5 + 15=20

(b) মনিপুরী সাহিত্যগী ময়ায়চনবা মতমদা থেংনরিবা মরুওইবা শক্লোনশিংদু করি করিনো ইরকউ। 20

(c) বেলেদকী মশক করম্না তাক্কনি?খুদম অমত্তং লৌখৎলগা মনিপুরী ফোক বেলেদকী মরুওইবা মশাজৎ (characteristics) শিংগী মরমদা ইরকউ। 5 + 15=20

(d) 'মনিপুরী জগোই রাসতি তরানীপালশুবা চহীচাগী লমদমসিগী ওজা গুরুশিংগী শেংলবা কলাগী খুৎশেম্নি' হায়রিবা ৱাফমসি মনিপুরী রাসনা কদায় ফাওবা ময়েক লানা উৎপা ঙম্বগে ইরকউ । 20

6. কুনশুবা চহীচা হৌরকপদা লমদম অসিগী সমাজ অমসুং মহৈ মশিং তম্বগী লমদা হোংলক্লিবশিং অদুনা অনৌবা মনিপুরী সাহিত্য শেমগৎলকপদা কদায় ফাওবা ঈথিল পীবা ঙমখিবগে ইরকউ । 60

7. হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈগী মৈতৈগী অরিবা লাইনীংদা মহৌশাগী শক্লোনবু অমসুং পোৎলমশিংবু লাৎপা অমসুং নীংবগী খুদম নীংথিনা উবা ফংই নৈনদুনা উৎলু । 60

8. মনিপুরী উপন্যাসকী ঈচৈলদা হিজম অঙাংহলগী 'জাহেরা' না করম্বা মফম কনবা ঙমলিবগে ইরকউ। 60

****

MANIPURI

**PAPER-II**

*Time Allowed : Three hours.* *Maximum Marks : 300*

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

Candidates should attempt Question No. **1** and **5** which are compulsory, and *any* **three** of the remaining questions, selecting at least **one** question from each Section.

Answer must be written in Manipuri

## SECTION-A

1. অহুমদং খল্লগা ৱাহৈ 200/200 দগী হেন্দনা পাউখুম পীয়ু : 20x3=60

(a) হোঙনেম য়োয় খুঞ্জাউবু নুংশি থৌকাউ য়াঙ্বা হায়খিবা ৱা ঙাক্তবা মীশক্তি হায়বসি কদায় ফাওবা য়ানীংবগে ইরকউ । 20

(b) 'থৱান্থবা হিরান্দা' ৱাংঙমলোন চীংখৈথানবীগী শক্তম (চরিত্র) করম্না য়েকপগে ইরকউ। 20

(c) ধনঞ্জয় লাইবু নীংবনা মতৌ করম্না মহাক্কী কায়নখ্রবা মচা অমসুং মাগী নুপীবু অমুক হন্না উন্নখিবগে ইরকউ । 20

(d) 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' দা মাইবমচা তান্দ্রসিংনা উৎখিবা মতীক মথৌনাশিংদু শীংথাদুনা ইয়ু । 20

2. খ্বাই নোংচেংবম নাইচা য়েকমা হাউতংলানা কাপখিবা নুমিত্তু কনানো অমসুং করিগীদমক কাপখিবনো? নুমিৎ থোকত্রবদা লৈবাক্লা করম্বা অৱাবা নংখিবগে অমসুং লাইরিকসিগী মরুওইবা পান্দম করিনি হায়না লৌবা য়াবগে ইরকউ। 30+30=60

3. 'পান্থোইবী খোঙ্গুল' দা অশৈবনা ৱাংঙম্লোন পান্থোইবীগী শক্তম করম্না য়েকপগে পাউখুম পীয়ু । 60

4. ৱাংঙম্লোন চাকপা মখাউ ঙম্বীবু ঔৱাগী তোংদোই নিংথৌদা থাজখিবগী থৌদোকশিংদু মরীক চুম্না লীরকউ। থৌদোক অসিনা 'সমসোক ঙম্ব'গী ৱারী পরীংদা করম্বা মরুওইবা থৌদাং লৌবগে খুম্মু । 40+20=60

## SECTION-B

5. অহুমদং খল্লগা ৱাহৈ 200/200 দগী হেন্দনা পাউখুম পীয়ু : 20x3=60

(a) 'কমল' দা হায়বা অশাংবম মীনকেতনগী শৈরেং অসিদা মহাক্কী লোন, মফোঁঙদোক অমসুং খুৎইগী থোইদোকপা মশক করম্না উৎপগে ইরকউ । 20

(b) 'করিনুংগী' হায়বা আর.কে. এলাংবমগী ৱারীমচাদা থম্বালগী মফমদা খঙহৌদনা মিকুপ অমা ফাওবা পন্থনীংদবগী ৱাখল করম্না ফাওরকখিবনো মরী মখোঙ লীরকউ । 20

(c) 'খম্বা থোইবীগী ৱারী অমসুং মহাকাব্য'দা চাউবনা ৱারীসিবু মহাকাব্যগী থাক্তা পুখত্নুনা মহাক্কী সমালোচ অমা ওইবগী থোইদোকপা মশক নীংথিনা উৎলি, নৈনরকউ । 20

(d) 'মেত্রিক পাশ' কী পোলোইদা থারিকথানা সার্টিফিকেৎ পায়রগা কপ্তুনা লৈহৌবগী থৌদোক অসিগী মরুমদা অইবনা করি হায়নীংবগে পাউখুম পীয়ু । 20

6. কলাগী পোৎ হায়বসি কলাকার অদুগী নুংগী ভাব ফোঙদোকপা ওইবসু য়াই, অদুগী পোৎ অদু সমাজদা কান্নবা করিগুম্বা অমা ওইবসু য়াই, অদুবু অনী অসিগী ৱাংমদা, মথক্তা কলা হায়বসি মতোম্মতা মপুংফানা লেপচবা ঙম্নবা পোৎনি ।
ৱাফমশিং অসিদা অইবনা মখল মথেল নাইবা কলাগী মহৌশাবু করম্না উৎনবা হোৎনবগে ইরকউ । 60

7. 'শন শেনব'দা খম্বা অমসুং থোইবী মতৌ করম্না উনখিবগে? মতাং অসিদা শাবী শানৌ অনীগী নুংশিবগী মশক অইবনা করম্না য়েকপগে ইরকউ । 40+20=60

8. মাঙলমচৎতগী হৌনা লমদম অসিদা পুন্না লৈমিন্নরক্লবা চীংমী অমসুং তম্মী অমত্তনি হায়বসি হিজম গুণনা মহাক্কী উপন্যাস 'লমন' দা মতৌ করম্না উৎপগে ইরকউ । 60

****